# ডা. আর কে কিশোরদা এসিয়া এৱার্দ ২০২২ পীরকখিবদা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস)

এদ্যুকেসন অমদি বিজিনেসকী লমদা অখন্ননা থবক তৌবা অমসুং মহাক্কা লৌরিবা থৌদাং অদুবু শকখঙলদুনা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ওন্ট্রপ্রেন্যুর ওফ দ য়র কেটগোরিগী মনুং চন্না মেগা মণিপুর স্কুলগী স্কুল মেনেজিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন ডা. আর কে কিশোরদা শীংথানিংঙাই ওইরবা অৱাংবা থাক্কী এসিয়া এৱার্দ ২০২২ পীরকখ্রে। মসিগীদমক হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকচবগা লোয়নননা লাক্কদৌরিবা মহাক্কী পুন্সিদা অমুক্কা হেন্না মায় পাকপা ওইসনু হায়না মেগা মণিপুর স্কুলগী দিরেক্টর সোইবম রত্নকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এসিয়া এৱার্দ ২০২২ ফংলকখ্রবা ডা. আর কে কিশোর ক্বাকলৈ অমসুং খোঙ্গুনমেলৈ ওর্কিদস প্রাইভেট লিমিটেদকী চীফ সাইন্টিষ্ট অমদি এম দিনি। মহাক্কা সেল্ফ-সবষ্টেন্স ওর্কিদ ইন্দষ্ট্রিগী ওইবা ইন্দিয়াদা ইষ্টাব্লিস তৌনবগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা মীওই অমনি। ডা. আর কে কিশোর হায়রিবা মীওই অসি ওর্কিদ সোসাইটি ওফ ইন্দিয়া (টি ও এস আই)না পীবা ডা. এস পি ভিজ মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ ফংখিবগা লোয়নননা মণিপুরী এসোসিএসন ওফ কনাদা ওন্টারিওনা স্পোন্সর তৌবা মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সীল (মাস্তেক্ট) কী ডা. ইবেয়াইমা ইনোভেসন এৱার্দ ২০১৮ সু ফংখিবা লৈখ্রে। অসিগুম্লবা এৱার্দ কয়া ফংলক্লিবা অসিগীদমক্তা মেগা মণিপুর স্কুলগী ষ্টাফ পুম্নমক্না চাউথোকচবা ফাওবগা লোয়নননা অমুক্কা হন্না হরাও-তয়াম্বা ফোঙদোকচরি হায়রি।

# খুন্নাইসিদা লৈমিন্নরিবা মীপুম খূদিংমক্না থম্মোয় শেংনা থবক তৌনরবা মতমদতা ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর চাউখৎকনি : ভেলেন্টিনা




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস)

খুন্নাইসিদা লৈমিন্নরিবা মীপুম খূদিংমক্না থম্মোয় শেংনা থবক তৌনরবা মতমদতা ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর চাউখৎকনি হায়না কোওপরেটিভ সোসাইটিজ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার ভেলেন্টিনা অরাম্বম (আই এ এস)না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুরদা ফংবা হিদাক্কী মগুন চেনবা অমদি মনম নুংশিবা পাম্বীশিং য়োকখৎপা অমদি কল্টিভেট তৌবগী মতাংদা য়ুম্ফম ওইবা সেমিনার কম ৱার্কশোপ অমা কোম্বীরৈ রোদ লম্ফেলদা লৈবা আই সী এমগী হোলদা পাঙথোকখিবদা ফোঙদোকখিবনি।

দ মণিপুর ফুদ এন্দ মেদিসিনল প্লান্টস প্রোসেসিং এন্দ কোল্ড ষ্টোরেজ কোর্পোরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদ লম্ফেলনা শীন্দুনা মেদিসিনল এন্দ এরোমেটিক প্লান টস কঞ্জার্ভেসন এন্দ কল্টিভেসন হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা সেমিনার কম ৱার্কশোপকী থৌরম অদুদা কোওপরেটিভ সোসাইটিজ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার ভেলেন টনা অরাম্বম, মণিপুর ফুদ এন্দ মেদিসিনল প্লান্টস প্রোসেসিং এন্দ কোল্ড ষ্টোরেজ সী এস লিমিটেদকী প্রসিদেন্ট দি কে শগোলশেম, অয়ুশ মণিপুরগী দিরেক্টর অরিবম গুনেশ্বর শর্ম্মা, এম এস এম ঈগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. য়োরেনতোম্বা অমদি আই সী এম ইম্ফালগী দিরেক্টর ডা. কে জয়চন্দ্রনা শরুক য়াখিবগা লোয়নননা রিছোর্স পার্সন কয়ানা হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অদুদা ভেলেন্টিনা অরাম্বমনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মেদিসিনল অমদি এরোমেটিক প্লান্টশিংগী ভেল্যু অসি ঙসিগী মার্কেট কয়া য়াম্না ৱাংই হায়বসি পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। ঙসিদি মণিপুরগী মফম কয়াদা এরোমেটিক প্লান্টস অমদি মেদিসিনল প্লান টশিংগী ভেল্যু অসি খঙনরকপনা ফার্মরশিংনসু হায়রিবা প্লান্টশিং অসি কল্টিভেট তৌবদা মায় ওনশিল্লক্লি। অসিগুম্বা ৱার্কশোপ অসিদা শরুক য়াবীরিবশিংনসু হীরম অসিদা মপুং ফানা মায় ওনশিনবীয়ু। সোসাইটিজ অমদি ইন্টরপ্রাইজশিংগী মতেং ফংনবগীদমক এম এস এম ঈ য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন টশিংনা মতেং কয়া পাংদুনা লাক্লি। সোসাইটিশিংনসু ফজনা ফঙ্কসন তৌরবদি ফুল সপোর্ট পীগনি। নত্তদনা মমিংখক্তগী ওইনা লোন লৌবা য়ানবা সোসাইটি চলাইরগা লৈবা তৌবীগনু। মদুগী মহুৎতা লম অসিদা হেন্না মায় পাক্লা চঙশিনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ফেটকী শরুক য়াওবা চীঞ্জাক

লৌশিং পুক্কে

## তোয়না চারবদি ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি

ফেট মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চারবদি ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎলকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে। য়ুনিভর্সিটি ওফ পেন্সিলভেনিয়াগী রিছার্চর জোন লেমব্রিসনা হায়খি, উচিদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা ফেট য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা ইন্টেষ্টাইনদা কেন্সর তৌহল্লি হায়বা খঙলকপনি।

'মোলিক্যুলর কেন্সর রিছার্চ' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, হকচাং লূম্বা নৎত্রগা লূমদবা অমসুং ময়াং কংবা নৎত্রগা মশা নোয়বগী ৱাফম্না তোঙান্না থমখ্রগা চাবা থকপগী মওং শোয়রবদি ইন্টেষ্টাইনদা কেন্সর তৌরকই হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে।

হকচাংগী অরূম্বা অমসুং অনোয়বা হেনবা হায়বসি কেন্সরগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরনি। অদুম ওইনমক ময়াং কংবা মীওই ওইরবসু ফেটকী শরুক য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চারবদি ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎলকই হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ পেন্সিলভেনিয়াগী রিছার্চর এদিমারা রিসনা ফোঙদোকখি।

রিছার্চরশিংনা উচি খরদা ফেটকী শরুক কা হেন্না য়াওবা চীঞ্জাক পীজরম্মী। অতোপ্পা খরনা ইচম চম্বা মওংদা অতৈ অতোপ্পা চীঞ্জাকশিং পীজরম্মী। মতম খরগী মনুংদা চাংদম্নদুনা য়েংবদা ফেটকী শরুক কা হেন্না য়াওবা চীঞ্জাক পীজবা উচি কাঙলুপ অদু ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকপা থেংনখি।

ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদক্কী ওইবা সাইদ ইফেক্তিতি পূক নুংশিৎ কাবা, পূক কংখৎপা, থগেবদা অশিনবা কাবা অমসুং থবাক শাবনি। তুংদা থোকহল্লকপা য়াবা লোং-টর্ম সাইদ ইফেক্টনা হার্ট দিজিজগী রিস্ক হেনগৎহনবনি। হকচাং ফনা লৈনবগীদমক ফেটকী শরুক খরদি অদুম্মক চাবা মথৌ তাই। অদুবু অকক্লবা চাং অমা লৈগদবনি।

'ন্যুয়োর্ক টাইমস' হেল্থ গাইদকী রেক্কমেন্দেসন মতুংইন্না সেচুরেটেদ ফেট অমসুং ট্রান্স ফেটকী চাং হস্তরগা অন্সেচুরেটেদ ফেটকী চাংনা হেন্না চাগদবনি। তোঙান তোঙানবা শা মরুওইনা রেদ মিটতা সেচুরেটেদ অমদি ট্রান্সফেট য়াওই। ওলিভ ওইল অমদি ঙা মখল খরদনা অন্সেচুরেটেদ ফেট য়াওই। সেচুরেটেদ অমসুং ট্রান্স ফেট য়াম্না চাবনা ইনফ্লেমেসন থোকহন্দুনা ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহনবনি।

অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, চাংচৎতা অমেরিকানশিংগী চীঞ্জাক্তা ফেটকী শরুক য়াম্না য়াওই। মদুনা মরম ওইরগা দাইবেটিস অমদি কোরোনরি হার্ট দিজিজনচিংবা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়নাশিংগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। সেচুরেটেদ ফেট অমসুং কোলেষ্টেরোল য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা ঈ উতোংশিং ফুঞ্জিলহল্লি। ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংদি অয়াম্বা মতমদা চেন-চোংদুনা শান্নবনিনা ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চারবসু থোইনা অকায়বা লৈতে। অঙাং ওইরগসু হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎলগদি ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চাবদা খুদোংথিনিংঙাই ওই।

মীওইবনা চাবদা য়াওখিবা সেচুরেটেদ ফেট অমসুং ট্রান্স ফেটনা ঈ উতোংদা পৈশিল্লকপদগী ঈ উতোং অদু খুজিল্লকই। মদুনা মরম ওইরগা ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোকহল্লি। থৌওং অসিবু এথরোসক্লেরোসিস হায়না খঙনৈ। কোলেষ্টরোল য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চারবদি হাইপরটেন্সন (ব্লদ প্রেসর ৱাংবা) ওইহল্লকই। ঈ উতোং ফুঞ্জিল্লক্তুনা ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোরকপদগী ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপনি। কিদনি য়াওনা তোঙান তোঙানবা হকচাংগী কয়াৎশিংদা অকায়বা থোকহল্লকপা মরম্না ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী থৌওং অসি খুদোংথিনিংঙাই ওই।

ব্লদ প্রেসর ৱাংবনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওংশিংদি হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক অমসুং কিদনি ফেলিয়রনচিংবনি।

চাবা থকপগী মওং শোয়দুনা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপদগী টাইপ-টু দাইবেটিস নারকপা তারবদি অমুক্কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। এথরোসক্লোরোসিসনা মরম ওইরগা ব্রেন য়ৌবা ঈ উতোং ফুঞ্জিল্লক্লবদি ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াই। হার্টকী রিজনদা লৈবা ঈ উতোং ফুল্লগনা হার্ট এটেক তৌরকই। হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোকনা মী শিহনবা য়াই।

ঐখোয়না চাশিনখিবা চীঞ্জাক খুদিংমক দাইজেষ্টিভ সিষ্টেমনা তুমহনবদা গ্যাস থোরকই। অদুবু গ্যাস কা হেন্না থোরক্লবদি হকচাং নুংঙাইহন্দে। নেসনল দাইজেষ্টিভ দিজিজেজ ইনফোর্মেসন ক্লিয়রিং হাউসকী রিপোর্ট মতুংইন্না ফেট য়াওবা চীঞ্জাক য়াম্না চারবদি পূক ইথন থনগৎতুনা লৈবা মরম্না নুংশিৎ কারকপদগী হকচাং নুংঙাইহন্দে। মরুওইনা থাউদা তাউবা নৎত্রগা ঙৌবা চীঞ্জাক চাবদগী খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকই।

য়াম্না তোয়না থগেবদা অশিনবা কাবগী থৌওংবু গ্যাষ্ট্রোইসো-ফেজিয়ল রিফ্লক্স দিজিজ (জি ঈ আর দি) কৌই। মরক মরক্তা জি ঈ আর দিগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবদি এন্টাসিদ শীজিন্নরগা নৎত্রগনা চাবা থকপগী মওং হোংদোক্লগা ফহনবা ঙম্মী। অদুবু য়াম্না তোয়না মায়োক্লরবদি হকচাংদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লি। ফেট য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চাবনা খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপনি। য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দ মেদিকেল সেন্টরগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ফেট মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চাবা মতমদা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপগা লোয়নননা কোলেষ্টরোল ৱাংখৎল-কপদগী হার্ট দিজিজ অমসুং কার্দিয়াক এরেষ্টকী রিস্ক হেনগৎলকই।

সেচুরেটেদ ফেট অমসুং কোলেষ্টেরোল মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাকশিংদি শনশা, হামেং-শা, হোল মিল্ক, ক্রিম অমসুং য়েরুম মমুৎনচিংবনি। মফম খুদিং য়োল্লিবা কুকিজ, কেক, চিপ, ক্রেকর অমদি ফাষ্ট ফুদশিংদা ট্রান্স ফেট য়াম্না য়াওই। য়ারিবমখৈ অসিগুম্বা মখলগী চীঞ্জাক চারোইদবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# ৱর্ল্ড সুসাইদ প্রিভেন্সন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) :

দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি নেসনল হেল্থ মিসন ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা ঙসি টেম্পল ওফ লার্নিং স্কুলদা ৱর্ল্ড সুসাইদ প্রিভেন্সন দে, ২০২২ পাঙথোকখ্রে।

ঙসি ক্রিএটিং হোপ থ্রু এক্সন হায়বা ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুটি কম্মিসনর টি ঐচ কিরনকুমার (আই এ এস) না অথোইবা মীথুংলেন, ইম্ফাল ৱেষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসর দা. এল জয়কুমারনা থৌরম মপু অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী এ দি সী এ জাদুমনি, টেম্পল ওফ লর্নিং স্কুলগী সেক্রেটরি ময়েংবম রাজেন, দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট নোদল ওফিসরসু ওইরিবী সিনিয়র সাইক্রাটিস দা. মেরি হাওবম অমসুং টেম্পল ওফ লর্নিংগী প্রিন্সিপল য়ুম্নাম গোপালনা অখন্নবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী কিরনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী ওইনা মশা মতোমতা শিজবগী থৌদোক অসি চাং ৱাংই। মীওইবা অমনা মশা মতোমতা শিজনবা হোৎনরকপা হায়বসি করিগুম্বা মরম খরা শোয়দনা লৈগনি। মরু ওইনা হিংবগী পুন্সি লম্বীদা মায়থিরে হায়না খঞ্জবা মীওইশিংনা মশা মতোমতা শিজবগী চাং হেল্লি। অদুবু মায়থিবা হায়বসি মীওইবগী পুন্সিগী শরুক অমনি। মসি নিংশিংদবদগী মশা মতোমতা শিজনবা ফীরেপ লৌরকখিবনি।

মী ওইনা পোক্লবদি মায়থিবা নৎত্রগা খুদোংচাদবা কয়া পুন্সি লম্বীদা মায়োক্লরকপা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। হায়রিবশিং অদুবু পোজিটিভ ওইবা মওংদা টেকল তৌবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। ইশানা ইশাবু মতেং পাঙবা হায়বসিদগী হেন্না ফবা পাম্বে অমত্তা মশা মতোমতা শিজবদগী ঙাকথোক্লবা লম্বী লৈতে। মতৌ করম্না মায়থিবশিং মায়োক য়াগদগে হায়বদু খঙনবা হোৎনগদবনি। ওজাশিংনসু মহৈরোয়শিং লাইরিক খক্তমক তাকপী তম্বীবগী মহুত্তা পর্সনেলিটি দিভেলপমেন্টগী মতাংদসু খঙহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ঐখোয়গী খুন্নাই অসি হৌজিক অনৌবা মায়ওন অমদা পুরকপগী তঙাইফদবা মতম অদু য়ৌরে : ডা. এম নর

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস)

ঐখোয়গী খুন্নাই অসি হৌজিক অনৌবা মায়ওন অমদা পুরকপগী তঙাইফদবা মতম অদু য়ৌরে হায়না সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইরিবা ডা. এম নরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি তম্ফা ফাউন্দেসন অমসুং সী পি আই খাঙবোক লোকেল কাউন্সীল অনীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা খাঙবোক মখা লৈকায়দা পাঙথোকখিবা ১২৬শুবা লময়ানবা জননেতা হিজম ইরাবতকী থাবুম থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।



থৌরম অদুদা ডা. এম নরনা মখা তানা হায়খি, কমরেদ তম্ফানা লৌরম্বা থৌদাং ঐখোয়না কাউফম থোক্তে। লময়ানবা ইরাবতপু মতম অমদা চঙজফম পীদুনা কখোকপা অমগা লোয়নননা থৌদাং য়াখিবগীদমক মহাকপু সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা অৱাংবা থাক্তা ঈকায়খুম্নবা উৎলি। ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসি ঙসিদি থকশি-খাশি কায়রক্তুনা মতম অমগী ইপা-ইপুশিংনা চৎনরম্বা অফবা য়ুম লিংবা হায়বদুগী মশক অদু উবা ফংলক্তে। মরম অদুনা মতম লৈরিঙৈ অসিদা অরানবা লম্বী থাদোক্তুনা ঐখোয় পুম্নমক্না অফবা অচুম্বা লম্বী পরিংদা চৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। খুন্নাই অমদা অফবা পুরকপা অমদি খুন্নাই অমা চাউখৎপগা লোয়নননা থকশি-খাশি লৈনা অওনবা অচুম্বা খুন্নাই অমা পুরকপা হায়বসি মীওই অমখক্না ঙম্লোই। ঐখোয় মশেল পুনশিন্দুনা চৎমিন্নরবা মতমদতা চাউখৎপা মণিপুর অমা ওইবা ঙমগনি হায়নসু থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

খাঙবোক মখা লৈকায়দা পাঙথোকখিবা ১২৬শুবা জননেতা হিজম ইরাবতকী থাবুমগী থৌরম অদুদা লোকেল এগজিক্যুটিভ মেম্বর এল রুহিনি অমদি ভেটেরান কমরেদ লিদর এস চাওরেননা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না ওল মণিপুর নুপী মরুপ খাঙবোক এরিয়া কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা মার্চ পাস কন্টিঞ্জেন্ট অমসু চৎখি। লোয়নননা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অহল ওইরবা কমরেদশিংদা তম্ফা ফাউন্দেসনগী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ঈকায়খুম্নবসু উৎখি। থৌরমদুগী মনুং চন্না শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা ঐখোয়গীদমক লময়ানবা হিজম ইরাবতনা পাঙথোকপীরম্বা থবক থৌরমশিং অমদি মহাক্কী পুন্সিগী খোঙচৎকী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

# অথৌবশিং নীংশিংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্পর ২৮ (ঐচ এন এস) :

জষ্টিস কম্মিটি ওন এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১ মার্টিয়র্স এন্দ ফ্রীদম ফাইটর কংলৈপাক মণিপুরনা শীন দুনা এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১গী লানফমশিংদা থৱায় থাখ্রবা অথৌবা ইপা-ইপুশিং অদুবু নীংশিংদুনা অথৌবশিং অদুগী মফমদা লাংবন থাগী হৈথা-লৈথাবগী থৌরম অমা খোংজোমগী তেঙ্গোল লৈকায়দা লৈবা খোংজোম তুরেলদা পাঙথোকখ্রে।

অথৌবশিংগী মফমদা লাংবন থাগী হৈথা-লৈথাবগী থৌরম অদুদা জষ্টিস কম্মিটিগী চীফ কন্সল্টেন্ট ঐচ ইবোতোম্বী, ভাইস চ্যেরমেন কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রো, মেজর মাইবিয়া তমারসিং মেমোরিএল ট্রষ্টকী মাইবম জাতিশ্বর, খোংজোম সার্কল মৈরা পায়বী ফোরমগী সেক্রেটরি নির্মলা মুতুম, তেঙ্গোল লৈকায় মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি লাইশ্রম তোম্বীতোন, সমরাম গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ৭কী মেম্বর হৈগ্রুজম উরিরৈ অমদি ফাদরলেন্দ পেট্রিওটস মেমোরিএল ক্লবকী সেক্রেটরি ওলেন সাপমসু শরুক য়াখি।

# ৱর্ল্ড রেবিস দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস)

জিরিবামগী নীংশিং খুলদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স য়ুনিট অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি জিরিবাম অনীনা শীন্দুনা রেবিস ৱান হেল্থ, জিরো দেথস হায়বা থীমদা ১৬শুবা ৱর্ল্ড রেবিস দে ২০২২গী থৌরম অমা হোস্পিটাল অসিগী মীটিং হোল নম্বর ৩৪দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা হোস্পিটাল অসিদা হূই, হৌদোং কয়াদসু রেবিসকী ভেক্সিন কাপথোকখিবগা লোয়নননা হীরম অসিগী মতাংদা মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্ননবগীদমক এক্সপার্ট কয়ানা ৱাঙাংলোয় ওইদুনা পাঙথোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ মেদিকেল ওফিসর ঈ ওকেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, খোংগন্দবা হূইনা পাক চিক্লন্দে, করিগুম্বা চিক্লবদি য়াম্না থুনা ফর্ষ্ট এইদ তৌবীবগা লোয়নননা খুদক্তা হোস্পিটালদা পুবীরক্তুনা ডোক্তরশিংগা তান্নবীগদবনি। হূই খক্তনা মখোল থোক্লা গৌ গৌ হায়না খোংদে, রেবিসনা নারবা মীশিংসু হূইগুম্না খোংই। মরম অদুনা হূইশিংবুসু দোজ শুনা মতম চানা ভেক্সিন কাপথোক্লদবনি হায়বনচিংবা চেকশিন ৱারোল কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা মচা খায়না ফোঙদোকখি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড রেবিস দেগী থৌরম অদুদা সী এম ও জিরিবাম ডা. ঈ ওকেন্দ্রো, সব-দিভিজনল ভেটিরিনরি হোস্পিটাল জিরিবামগী ভেটিরিনরি ওফিসর ডা. শাহ অয়ুব অলমস, সী ঐচ সী জিরিবামগী মেদিসিন স্পেসলিষ্ট ডা. জষ্টিন হাওবমনা থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেন, চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। লোয়নননা ঙসিগী থৌরম অদুদা জিরিবামদা লৈবা তোঙান তোঙানবা সী এস ওগী মেম্বরশিং, মৈরা পায়বীশিং অমদি জিরিবাম নীংশিং খুলগী মীওইশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ৱর্ল্ড রেবিস দে পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাফমশিং খঙমিন্নখি।

# থৌবালগী এম/এস এন আর এল ইনর্জি ষ্টেসনদা ফ্যের সেফ্‌টি মোক দ্রিল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস)

রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজ মেন্ট দিপার্টমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ইন্সটিট্যুটনা শীন্দুনা নুমীৎ নীনি চুপ্পা চথুগদবা এৱ্যেরেন্স প্রোগ্রাম কম ফ্যের সেফ্‌টি মোক দ্রিলগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল হাওখাদা লৈবা এম/এস এন আর এল ইনর্জি ষ্টেসনদা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এস দি আর এফ)গী সব-টিম কম্মান্দর ও অচৌবনা লুচিংদুনা চথুখিবা মোক দ্রিল অদুদা খুদক্তা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপা মতমদা মীয়াম্না খুদক্কী ওইবা করি-করি পাম্বৈশিং তৌবা য়াবগে অমদি এস দি আর এফনা লৌরিবা থৌদাং কয়াবু মীয়ামদা দেমোন্সত্রেসন তৌদুনা উৎখি।



থৌবাল হাওখাদা লৈবা এম/এস এন আর এল ইনর্জি ষ্টেসনদা পাঙথোকখিবা এৱ্যেরেন্স প্রোগ্রাম কম ফ্যের সেফ্‌টি মোক দ্রিলগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এস দি আর এফকী ট্রেনিং ওফিসর নামিতা তোংব্রমনা ফোঙদোকখিবদা, মৈহৌ লাংপোক হৌরকপা মতম অমদি খঙহৌদনা দিজাষ্টর অমা থোরকপা মতমদা মীয়াম্না করি করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদু এস দি আর এফনা স্কুল, কোলেজ অমদি গভর্ণমেন্ট ওফিসনচিংবা মফম কয়াদা চহী চুপ্পা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মৈহৌ লাংপোক খ্বাইদগী থোক্কনবা মফম অমা হায়রগদি ওইল পম্প ষ্টেসন অসিসু অমা ওইবনিনা ওইল পম্প ষ্টেসনগী মীওইশিং অমদি মীয়ামদা মৈহৌ লাংপোক্তগী ঙাকথোক্লবা এৱ্যেরেন্স পীবগী থবক তঙাইফদবনা অসিগুম্বা এৱ্যেরেন্স প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা এৱ্যেরেন্স প্রোগ্রাম কম ফ্যের সেফ্‌টি মোক দ্রিলগী থৌরম অদুদা থৌবাল ফ্যের সর্ভিস টিমনা মতেং পীবীবগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯।০৯।২০২২ ইং, শগোলশেল;
মেরাগী ৪ পানবা।

মেষ: অশাওবা অমদি ফিংবতা ফাথৌ ওইজ-ওইথক ফংদবা লৈরোই। অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা অমদি শেন্দোং চাওনা ফংজবা লৈগনি। য়েক্লবা হন্থরনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃষ: য়েৎনবতা য়াওরুনু মাঙগদবা লৈতে। অরিবা থবক্তদি থিবা হুম্বা অমা চঙই। অনৌবা থবক্তদি মায় পাক্লনি, লন চঙগনি, ৱাখল তান্নরমদবা তান্নবা য়ারনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: অহৈ-অশিং শাবদি মাঙগনি অমদি ইমুং-মনুং ৱাখল তাননবা হোৎনবা ফৈ। মীয়ামগা লোয়নবদি হান্নগুম নুংঙাইগনি। থাজদবা মফমদৈ কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ তাজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কর্কট: মীকোক থোংজৌ, লন চাওখৎলু, মীঙোনদা লৈখিবা/পন দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংউ হায়বা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক্তা খুৎ চাওগনু, হোয়াসু ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

সিংহ: চিন শোয়রগা শেল মাঙবা অমদি খন্থদনা থৌপাঙবনা নরলদা ময়েং তাবা লৈগনি। মরুপ মপাংগী মতেংনা নৎত্রসু নথক থোংবগী মতেংনা থৌদি লায়না পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

কন্যা: অচুম্বা অমদি হৈ-শিংবনা থবক পাঙবা অমদি নুংঙাইজবা লৈগনি। মরুপ মপাং লোয়নননবা হোৎনৌ-কান্নবা ফল লৈ। চিন কনবা, হোয়া ফবনা নরল মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: মায় পাক্কনি, থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাজৈ, নীংবা মপা চাগনি। মশক খঙদবদৈ চেকশিল্লু, মরম খঙদনা অনম তানগনু, নাইতোম ৱা তুপকনু-মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি-তপথৌ। পাঙনিংবা থবকপুদি পাঙগনি, মীনসু লাকচবদি ঙম্লোই। খুৎ চাওবদি মতাং চারোই-লৌশিং চাওবগী ৱা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: নক্লবশিংবু থাজহল্লু, য়েৎনবা য়াবদা য়াওরুনু। অখঙ অহৈ তান্নদবনা মরুপ মপাংনা খুদোংচাবা লৌখিনি। অরুবা থবক্তদি মীংচৎ লৈনা পাঙবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: নীংবা থুংগনি, নীংবদুমক পাঙবদা মায় চাওনা পাক্কনি, মীনা ইনশিনবা লৌদবনা য়াম্না হেন্না কান্নগদবা নুমিৎনি। নচা-ননাই অমদি মীয়ামগী মতেং ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: ৱানোম থৌনোম খরদি কান্নরনি, মরুপ মপাং লোয়নননা পাঙবা থবকসু মহয় য়ানগনি। অনম তান্নবনা মীকোক থোংবা ৱাবদি লৈগনি, খুৎচাওসু থাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: লন চাওখৎকনি, থৌনা ফুদোকপনা মায় পাকচবা হেনগনি, অঙম্বনা চানবীগনি। তুংগী পোরম য়াৎপা অমদি ৱাঙাং হৈবা ৱাৎকনি, য়েক্লবনা য়েংশিল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- চিন কনগনু-চোপকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।